# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 09, 2019 PAGE 7




ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট মশান্নদগী পোথারে হায়না লাওথোকখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী ওপনর বেটসমেন ওইরম্বা হাসিম অমলা



কোপা অমেরিকাগী ফাইনেলদা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা লমচৎ উৎলুবগীদমক থা অনী শান্নবদা অথিংবা থমখ্রবা ব্রাজিলগী গাব্রিয়েল জিজস

## এল সঙ্গিতা দেবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা ৱাফা ৱাঙ্গোই মায় পাকখ্রে





*ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা আর্টিফিসিয়েল তফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাকতা চথ্বরকপা ২৬ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাফা ৱাঙ্গোই মায় পাকখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাংজিং অমদি সিকো লৌরেম্বম লৈকাই দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লীগ অসিগী ১৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা পময়াল পাৎশোই অমদি ৱাফা ৱাঙ্গোইনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা পময়াল পাৎশোইবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা পময়াল পাৎশোইগী এম দি চাওবনা চনখিবা গোলনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতা ৱাফা ৱাঙ্গোইগী মাইকেলনা গোল অনী চনশিন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকখিবনি।

১৬শুবা লীগ মেটচ অসি হৌরকপদা পময়াল পাৎশোইনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা ৱাফা ৱাঙ্গোইগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথ্দুনা ৱাঙ্গোইগী দিফেন্দরশিংদা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহনখি।

এটেকশিং অদু ৱাফা ৱাঙ্গোইনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী মিনট ১২ চৎপদা পময়াল পাৎশোইগী জর্সি নম্বর ৬ এম দি চাওবনা মেটচকী অহানবা গোল চনদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। ৱাফা ৱাঙ্গোইনা হাল্ফ মমাঙদা গোল হনে দাক্নবা হোৎনরবসু ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোখরিবা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নরক্তুনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা পময়াল পাৎশোইবু শিংনরক্তুনা চাং নাইনা এটেক চঙশিল্লকখি।

মদুগী মমল য়ান্নবা হোৎনজমন অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ৫৮ চৎপদা ৱাফা ৱাঙ্গোইগী জর্সি নম্বর ৮ মাইকেলনা গোল হন্দোক্লগা ১–১ দা লৈদুনা মেটচকী লমজে লদা অমুক লাক্লবা হোৎনখি।

ৱাফা ৱাঙ্গোইনা গোল মাঙজিল থারক্লবা হৈথোই–শিংথোইবা মতৌদা বোল য়াঙনা শান্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ৭৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ মাইকেলনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোন্দুনা পময়ালদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা পময়াল পাৎশোইগী জর্সি নম্বর ৫ কে ঐচ রনজিৎ সিংহ অমদি ৱাফা ৱাঙ্গোইগী জর্সি নম্বর ১৫ অজিৎতা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এস ওনিল, এন সন্টোস, পামৈ অমদি পাবৌলেন্না মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

১৭শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাংজিং অমদি সিকো লৌরেম্বম লৈকাইনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ৱাই এ সি য়াইস্কুল অমদি থাও থাংমৈবন্দনা অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা এস সি কে কোদোম্পোকপী অমদি ৱাফ ৱাঙ্গোইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নরগনি।

### *দুরান্দ কপ ২০১৯*

## মোহন বগাননা এ টি কেবু ২–১ দা থোইখ্রে, গোৱাসু মায় পাকখ্রে

*কোলকটা, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চথ্বরিবা দুরান্দ কপকী ১২৯শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান–তোঙানবা গ্রুপ মেটচশিংদা মোহন বগাননা এটলেটিকো দি কোলকটাবু গোল ২–১ দা থোইখ্রে, গোৱাসু মায় পাকখ্রে।



*মোহন বগান অমদি এ টি কেনা শান্নখিবা দুরান্দ কপকী মেটচ*

মোহন বগান অমদি এটলেটিকো দি কোলকটানা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা এ টি কেগী শান্নরোই গোপী সিংহনা কাউশিনখিবা সোট অমা মোহন বগানগী গোলকিপরনা নীংথিনা ফাবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফ্রান্সিস্কোর মোরান্টে মার্টিনেজনা কোর্নর কিক অমদা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা মেটচকী অহানবা গোল ওইদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট খরা অদু শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎদুনা লাকখ্রবসু এ টি কেগী দিফেন্দরশিংনা ফজখিবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা মোহন বগাননা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা এটেক কয়া চথ্দুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা মোহন বগানগী শান্নরোই জোসেবা বৈটিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপদা এ টি কেগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নরক্তুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনজমন অদুগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই আসিস প্রধাননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মোহন বগাননা এ টি কেবু গোল ২–১ দা থোইরমখি।

দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা গোৱানা আর্মি গ্রিনবু গোল ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

গোৱা অমদি আর্মি গ্রিসনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা গোৱাগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা লিষ্টন কোলাকোনা চনবা ঙমখি।

দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুংথিল পুং ৩ দা শান্নগদবা গ্রুপ 'দি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মণিপুরগী ক্লব টিদিম রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) না ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকা হাওরাহ ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

## চুংবাং এফ সি অমদি লিৱা চনিং ফাইনেল শান্নরগনি

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (এস এন এস)ঃ*

চিংখু য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২২ দগী মিনি ষ্টেদিয়ম চানে দল খুষ্টিয়ান্দা টিম ৩০ না শরুক য়াদুনা নোক আওট বেসিসতা চথ্বরকপা ৮শুবা চিংখু প্রেমিয়র কপ ২০১৯ গী ফাইনেলদা চুংবাং এফ সি অমদি লিৱা চনিং ৱাই সি সিনা থা অসিগী ১০গী নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নরগনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি পুংচুং ৱাই সি অমদি লিৱা চনিং ৱাই সি সিনা শান্নখিবা মেটচতা লিৱা চনিং ৱাই সি সিনা পুংচুং ৱাই সিবু কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি। গোলশিং অদু পুংচুং ৱাই সিগীনা জর্সি নম্বর ৭ কিওংৱানা মিনট ৬৮ তা চনখি। লিৱা চনিং ৱাই সি সিগীনা জর্সি নম্বর ১১ দামিনা মিনট ৪০ দা চনখি।

লিৱা চনিং ৱাই সি সিগী পেনাল্টিদা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ কোপালসন, জর্সি নম্বর ৫ দেবিদ, জর্সি নম্বর ১১ দামি অমদি জর্সি ১০ ঙমসানা চনখি। পুংচুং ৱাই সিগী পেনাল্টিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৬, জর্সি নম্বর ৯ মোর্নিসন অমদি জর্সি নম্বর সেটঙমনা চনখি।

## হাসিম অমলা পোথাখ্রে

*জোহেন্সবর্গ, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ অফ্রিকা ক্রিকেট টিমদা ওপনর ওইবগী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা বেটসমেন হাসিম অমলা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতগী পোথারগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬শুরবা হাসিম অমলা চহী ১৫ গী কেরিয়র অসিদা অপুনবা মেটচ ৩৪৯ শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক্না ফোর্মেট অহুমক্তা অপুনবা রন ১৮, ৭৬২ লৌবা ঙমখি। অমলানা কুমজা ২০১২ দা ওভেলদা ইংলেন্দনা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচতা আওট ওইদনা রন ৩১১ লৌবা ঙমখিবা অসিনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। নীংশিংবা য়াই, লৈবাক অসিগী বোল্লর দেল ষ্টেনসু টেষ্ট মশান্নদগী পোথাখ্রবনি।

## মেরি কোম অমদি বাইচুং ভুটিয়া নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ পীনবগী মেম্বর ১২ না শাবা পেনেলদা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

৬লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী বোক্সর এম সি মেরি কোম অমদি ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনেল ফুটবোল টিমগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা বাইচুং ভুটিয়া নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ পীনবা শান্নরোইশিং খনবগী মীওই ১২ না শাবা পেনেলদা য়াওখ্রে।





থা অসিগী ২৯ দা পীগদৌরিবা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ অসি মমাঙদা ইন্দিয়াগী হোক্কী শান্নরোই ওইরম্বা মেজর ধ্যান চান্দগী মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা পীবনি। মহাক্কী মপোক কুমওন অসিবু লৈবাক অসিনা নেসনেল স্পোর্টস দে হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ পীনবগী শান্নরোইশিং খনগৎপগী মীওই ১২ না শাবা সেলেক্সন পেনেল অসিদা নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোম অমদি ফুটবোল্লর বাইচুং ভুটিয়াসু য়াওবা ঙমখিবনি। মখোয় অনীদা নত্তনা অঞ্জুম চোপ্রা অমদি অঞ্জু বোবী জোর্জসু সেলেক্সন পেনেল অসিদা য়াওরি।

হিরম অসিগী মতাংদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকপদা মমাঙ চহীশিংদগী তোঙান–তোঙানবা মনাশিংগী কম্মিটি শেমদুনা খনখিবনি। অদুবু হন্দক্কী অনৌবা থৌশিল ওইনা মীওই ১২ না শাবা কম্মিটি অসিনা এৱার্দ খুদিংমক্কী দাইত্য পুরগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

হায়রিবা মীওই ১২ না শাবা কম্মিটি অসি সুপ্রিম কোর্টকী রিটায়ার্দ জষ্টিস মুকুন্দাকম শর্ম্মনা লুচিংগনি। লোয়ননা স্পোর্টস সেক্রেটরী রাধে শ্যাম ঝুলনিয়া, স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দাইরেক্ট জেনরেল সন্দিপ প্রধান, টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কীম (টোপ্স) কী সি ই ও কম্মান্দর রাজেস রাজাগোপালান, নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোম, ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা বাইচুং ভুটিয়া, ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা অঞ্জুম চোপ্রা, লোংজম্পকী এঠলিট অঞ্জু বোবী জোর্জ অমদি টেবল টেন্নিসকী কোচ কামলেস মেহটানা কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইনা য়াওরি।

মসিদসু নত্তনা সেলেক্সন কম্মিটি অসিদা মেডিয়াপার্সন অনী অমসু য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি টাইমস গ্রুপকী চীফ এদিটর রাজেস কালরা অমদি মমিং লৈরবা স্পোর্টস কম্মেন্টেটর চারু শর্ম্মনি।

কম্মিটি অসিনা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দশিং হায়বদি রজিভ গান্ধী খেল রত্ন, আর্জুনা এৱার্দ, দ্রোচার্য্য এৱার্দ, ধ্যান চান্দ এৱার্দ অমদি রাস্ত্রিয়া খেল প্রোটসাহন এৱার্দ ফংগদবা শান্নরোইশিং অদু খনগনি হায়রি।

মথং চয়োলগী অঙনবা শরুক্তা সেলেক্সন কম্মিটি অসিগী অহানবা মীফম পাঙথোক্কনি। অদুগা থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা এৱার্দ ফংলগদবা শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## জপানগী নাওমী ওসাকা অমদি স্পেনগী রাফেল নদাল রোজর্স কপকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





*টোরোন্টো, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

জপানগী নাওমী ওসাকা অমদি স্পেনগী রাফেল নদালনা কানাদাগী সিটি অনী মোন্ট্রিয়েল অমদি টোরোন্টোদা চথরিবা এ টি পি অমদি দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট রোজর্স কপকী নুপী অমদি নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

রোজর্স কপ অসিগী দব্লিয়ু টি এগী কাঙলূপ্তা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ২শুবা সিদেদ জপানগী নাওমী ওসাকানা জর্মনিগী টি মারিয়াবু অহানবা সেট ৬–২ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নবা হৌরকপদা টি মারিয়া শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী জপানগী নাওমী ওসাকা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্পা য়ু এসকী জে ব্রেদিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৭–৫, ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভাগা শান্নরগনি। রুশিয়াগী কুজনেটসোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী দি বেকিকপু ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৩শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা য়ু এসকী এ রিস্কেবু অনীশুবা রাউন্দদা ৬–৪, ৬–৭(৪–৭), ৬–২ দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৬শুবা সিদেদ ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটকা শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা চেক রিপব্লিক্কী কে সিনিয়াকোভাবু ৬–৩, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১১শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক্কা শান্নরগনি। বেন্সিক্না মহাক্কীঅনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু ৫–৭, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

রোজর্স কপ অসিগী এ টি পিগী কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্পেনগী রাফেল নদালনা বৃটেনগী ইভান্সপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৬(৮–৬), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলাগা শান্নরগনি।

আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা কলম্বীয়াগী আর অলবোটপু ৬–৩, ২–৬, ৭–৬(৭–২) দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী শান্নরোই দেনিস সাপোভালোভপু ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৪শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা শান্নরগনি। মারিন সিলিক্না মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে মিলমেনবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৬শুবা সিদেদ রুশিয়াগী কারেন খাচানোভনা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু অনীশুবা রাউন্দদা ৬–৪, ৬–৭(৩–৭), ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা কানাদাগী ওগুর এলিয়াসিনগা শান্নরগনি।

কানাদাগী এলিয়াসিন্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ১৭শুবা সিদেদ কানাদাগী অতোপ্পা শান্নরোই মিলোস রাউনিকক্না শান্নবদা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম থোইনরবা মতুং অহুমশুবা সেট শান্নরকপদা রাউনিক শোক্তুনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী এলিয়াসিন অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ গ্রিসকী সিটসিপাস পোলেন্দগী শান্নরোই ঐচ হুরকেজগী মখূত্তা ৪–৬, ৬–৩, ৩–৬ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

## জোৱা কেন্সেলো সিটিদা য়াওখ্রে

*লন্দন, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি)ঃ*

পোর্টুগালগী ফুল বেক জোৱা কেন্সেলো ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদা সাইন তৌখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা পোর্টুগাল মচা জোৱা কেন্সেলো লন্দনদা লৈবা ইথিয়াদ ষ্টেদিয়মদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদা চহী ৬ কী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখিবনি।

জোৱা কেন্সেলো কুমজা ২০১৭–১৮ সিজনদা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়াদগী ইটালিগী ক্লব ইন্টরদা লোন ওইনা শান্নবা য়াওখিবনি। মসিগী মতুংদা ইটালিগী চেম্পিয়ন ক্লব জুবেন্টসতা অমুক য়াওখিবনি। মসিগী মতুংদা কেন্সেলো টুরিনদা য়ুরো মিলিয়ন ৪০.৪ দা য়াওরকখিবনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিদা নৌনা চহী ৬ কী সাইন তৌখ্রবা জোৱা কেন্সেলোনা ফোঙদোকখিবদা ক্লব অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা ক্লবনি লোয়ননা মেনেজরসু য়াম্না ফরি। অসিগুম্বা ক্লব অমদা মহাক্না শান্নবা হায়বসি মহাক্কীদমক লাইবক ফবনি হায়খি।

পোর্টুগাল মচা জোৱা কেন্সেলোনা মেঞ্চেষ্টর সিটিদা নৌনা সাইন তৌরকপা অদুদা জুবেন্সকী অনৌবা কোচ মোরিজিও সারিনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।


### স্যামেন্ট/ Cook অমদি Waiter পামজে

Fast-Food কী অচা–অথক নীংথিনা শেম শাবা হৈবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা Cook অমগা Waiter অমগা পামজে।

অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাদা পীরিবা ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবিরকপা য়াগনি।

SL/5196/09

Contact : +918131922907
8257801107


### ক্রোসৱার্দ ২৪৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | O | T | S | | S | H | I | P | | S | E | E | P | S |
| A | M | E | N | | W | A | N | E | | A | R | R | O | W |
| P | I | N | E | | E | R | A | S | | D | E | N | S | E |
| A | T | T | E | N | D | A | N | T | | | C | I | T | E |
| | | | R | E | E | S | E | | D | E | T | E | S | T |
| S | C | R | E | E | N | S | | D | I | V | E | | | |
| H | O | E | D | | | | A | I | R | E | D | A | L | E |
| I | N | N | | S | T | A | G | G | E | R | | P | E | A |
| M | E | D | I | C | A | R | E | | | | S | E | N | T |
| | | | C | A | R | E | | A | S | S | I | S | T | S |
| A | S | C | E | N | T | | S | T | A | I | N | | | |
| S | O | L | D | | | S | A | T | U | R | A | T | E | D |
| S | L | O | T | H | | C | L | A | N | | T | H | A | I |
| E | A | S | E | S | | A | S | I | A | | R | O | S | E |
| T | R | E | A | T | | B | A | N | S | | A | R | T | S |